# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 07-11-2025)**

**সাবিত্রি (এল)ঃ** নুমিৎ নিনিগী খোঙচৎতা ঙরাং জিরিবাম জিলাদা থুংলখিবা কেন্দ্রগী ৱিমেন এন্দ চাইল্ড দিভলপমেন্ট রাজ্য মন্ত্রি সাবিত্রি ঠাকুরনা জিলা অসিদা পায়খৎলিবা তোঙান তোঙানবা সেন্ত্রেল স্কিমশিং অমসুং চাউখৎ থৌরাংগী প্রোজেক্টশিং য়েংশিনখ্রে।

মহাকা ঙরাং জিরিবামদা হেক থুংলবগা জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মিস্নারগী কনফরেন্স হোলদা দি.সি.-কৃষ্ণকুমার য়াওনা জিলা থাক্কী ওফিসিএলশিংগী ওইবা মীফম পাঙথোক্তুনা পায়খৎলিবা তোঙান তোঙানবা চাউখৎ থৌরাংগী থবকশিংগী মতাংদা খন্নখি। মীফম অদুদা তোঙান তোঙানবা বিভাগশিংনা পায়খৎলিবা স্কিমশিং অমসুং ফ্লেগসিপ প্রোগ্রামশিংগী মতাংদা পৱার পোইন্ট প্রজেন্টেসন তৌদুনা মন্ত্রিদা খঙহনখি।

তোঙান তোঙানবা মরুওইবা সেক্তরশিং, মরুওইনা মহৈ মশিং অমসুং হকশেলগী লমদা জিলা অসিদা খুমাং চাউশিন্না থবক পায়খৎলম্বা উবদা মন্ত্রিনা ওফিসিএলশিংবু থাগৎপা ফোংদোকখি। হকশেলগী ওইনা কম্ম্যুনিকেবল দিজিস কন্ত্রোল প্রোগ্রাম অমসুং নেসনেল চাইল্ড হেলথ প্রোগ্রামগী মখাদা নীংথিনা থবক পায়খৎলম্বদা মন্ত্রিনা নুংঙাইবা ফোংদোকখি।

মীফম অদুদা কিলোমিটর ৩২ শাংবা জিরিবাম-তিপাইমুখ লম্বীগী মরুওইবা ৱাফম মন্ত্রিনা ফোংদোকপগা লোয়ননা লম্বী অসি নীংথিনা শেমগৎপনা মীয়ামগী চৎথোক চৎশিন অমদি অরাপ্পা মফমশিং শমহনবদা অচৌবা কান্নবা পীগনি হায়না ফোংদোকখি।

**অনুরাগ (এল)ঃ** ‘ৱিভিং এ সসটেনেবল ফ্যুচর-মনিপুরস হেন্দলুম হেরিটেজ টু গ্লোবেল ফেসন’ হায়বা হীরমদা মনিপুর ইন্টরনেসনেল টেক্সতাইল এক্সপো-

২০২৫, হয়েংদগী ইম্ফাল ইষ্টকী নিলাকুথিদা লৈবা অবার্ন হটতা হৌরগনি।

এক্সপো অসিগী মরুওইবা পান্দমদি, মনিপুরগী পাক চাডরবা হেন্দলুম, হেন্দিক্রাফট অমসুং টেক্সতাইলগী পোৎথোকশিং মালেমগী থাক্তা উৎথোক বগীদমক্তনি।

**পুলিস(এল)ঃ** মীয়াদগী নম-হাদুনা শেল খায়বা অমসুং আইন কায়না থবক তৌবশিংগী মথক্তা সেক্যুরিতি ফোর্সনা লেপ্তুনা লৈতনা ওপরেসন চখরি।

পুলিসকী পাউনা হায়-সেক্যুরিতি ফোর্সকী কাংবু অমনা ঙরাং আর.পি.এফ-পি.এল.এগী এক্তিব কাডরনি হায়বা মীওই অমা ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী ময়াং লাংজিং তমাংদগী ফারে। মীওই অসি তোঙান তোঙানবা চেক্কোনশিং, ফরনিচর দুকান অমসুং মীয়ামদগী নম-হাদুনা শেল খায়বদা চেন্নবনি হায়রি।

অমরোমদা, সেক্যুরিতিগী অকনবা ঙাকশেলগা লোয়নননা নেসনেল হায়ৱে ৩৭, ইম্ফাল-জিরিবাম লম্বীদা তঙাইফদবা পোৎলমশিং গাড়ি ২০২ ঙরাং ইম্ফাললোমেদা পুশিল্লকখ্রে হায়রি।

**পিয়ুসিএল(এল)ঃ** ওল মনিপুর ৱার্কিং জর্নেলিষ্ট য়ুনিয়ন (অমজ) অমসুং এদিটরস গীল্ড মনিপুর (ই.জি.এম) অনিনা পিপলস য়ুনিয়ন ফোর সিভিল লিভরটিজ (পি.য়ু.সি.এল) গী মথক্তা লিগেল নোটিশ অমা থাখ্রে হায়রি।

অমজ অমসুং ই.জি.এমগী অপুনবা চেরোল অমদা হায়-পি.য়ু.সি.এলনা মনিপুরগী পাউমীশিংগী লুপ অসিবু লান্না উহনবা য়াবা রিপোর্ট অমা ফোংখিবা অদু হন্দোকবা দাবী তৌদুনা লিগেল নোটিশ অসি থাবনি হায়রি।

**ফোন(এল)ঃ** রাজ্যগী সোসিএল ৱেলফিয়ার বিভাগকী মখাদা হাংলিবা ৱিমেন হেল্প লাইন নম্বর-১৮১ অমদি চাইল্ড হেল্প লাইন নম্বর-১০৯৮ করিগুম্বা

খুদোংচাদবা খরদগী য়াখিদ্রে। মরম অদুনা, টেলিফোন লাইনশিং অসি শেম শাবগী থবক চথুরিঙৈ মনুংদা ৱিমেন হেল্প লাইন নম্বর-১৮১ গী মহুৎতা ৭০০-৫৭৭-৬১৪৪ অমদি চাইল্ড হেল্প লাইন নম্বর ১০৯৮ কী মহুৎতা-৮১১-৯৯১-৮২৫৭ দা মীয়ামনা ফোন তৌবিরকবা সোসিএল ৱেলফিয়ারগী দাইরেক্তর-অনা অরাম্বমনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

**বন্দে** ঃ জাতিগী ঈশৈ বন্দে মাতরমগী চহি ১৫০ শুরকপগী চহি অমা চুপনা চত্থগদবা থৌরম ঙসি প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হৌদোক্লগনি। কেন্দ্রগী কলচর মন্ত্রালয়না শিন্দুনা নিউ দিল্লিদা পাঙথোক্কদবা থৌরম অসিদা প্রধান মন্ত্রিনা নীংশিং স্তাম্প অমসুং শেনয়েক অমা হৌদোক্কনি।

সোসিএল মেদিয়াদা থাগৎপা ৱারোল অমদা শ্রী মোদিনা হায়-নুমিৎ অসি ভারতকী নাগরিক খুদিংমক্কী য়ামা মরুওইবা নুমিৎ অমনি। জাতিগী ঈশৈ বন্দে মাতরমনা মীরোল কয়াদা মরৈবাক নুংশিবগী ৱাখল্লোন পোকহন্দুনা লাক্লি।

থৌরম অসি মথং চহিগী নবেম্বর ৭ ফাওবা চহি অমা চুপা লৈবাক শিনবা থুংনা চত্থগনি।

মনিপুরদসু থৌরম অসি রাজ্য সরকারনা শিনদুনা ঙসি ইম্ফালগী পেলেস কম্পাউন্দা লৈবা মনিপুর ষ্টেট ফিল্ম দিবলপমেন্ট সোসাইতিগী পেলেস ওদিটোরিয়মদা পাঙথোক্কনি। থৌরম অদুদা রাজ্যপাল-অজয় কুমার ভালা শরুক য়াগনি। থৌরম অসিদা গভরমেন্ট দান্স কলেজ অমসুং জে.এন. দান্স একাডমী অনিনা বন্দে মাতরমগী কোরিওগ্রাফিক প্রজেন্টেসন উৎপদা লোয়ননা জাতিগী ঈশৈ অসিগী মতাংদা সোর্ট ফিল্ম অমসু উৎকনি।

বি.জে.পি. মনিপুর প্রদেসনা শিনদুনা বন্দে মাতরমগী চহি ১৫০ শুরকপগী থৌরম ইম্ফালগী নিত্যপাৎ চুথেক্তা লৈবা থম্বাল শঙলেনদা পাঙথোক্কনি।

**বিহার ঃ** বিহার বিধান সভা মীখলগী অহানবা তাঙ্কক্কী ভোট থাদবগী চাং চাদা ৬৪.৪৪ ওইখি।

তাঙ্কক অসিদা জিলা ১৮ গী বিধান সভা কেন্দ্র ১২১ দা ভোৎ থাদনখি।

তাঙ্কক অসিদা ভোতর কোতি ৩ লাখ ৭৫ না মীরেপ লিশিং ১,৩১৪ গী মরাইবক লেপকনি। মীরেপশিং অসিগী মনুংদা নুপী মীরেপ ১২২ অমসুং ত্রান্সজেন্দর ১ য়াওরি।

অমরোমদা, বিহার বিধান সভা মীখলগী অনিসুবা তাঙ্কক্কী ভোৎ খোম্বগী থবকসু খম থেংনা কল্লে। এন.দি.এগী ওইনা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদি, গৃহ মন্ত্রি অমিত সাহ, ঙাকশেল মন্ত্রি রাজনাথ সিংহনা ঙরাং তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা পাঙথোকপা মীখলগী রেল্লিশিংদা শরুক য়াখি। মহাগত-বন্ধনগী ওইনা মুখ্য মন্ত্রিগী মীরেপ ওইরিবা আর.জে.দি লুচিংবা তেজাস্বি প্রসাদ যাদবনা ঙরাং মীখলগী রেল্লি ১৮ দা শরুক য়াখি।

**নেভিঃ** ভারত নেভিনা থিজিন হুমজিনবদা শিজিন্নগদবা অনৌবা জহাজ, ইকসাক ঙরাং কম্মিসন তৌখ্রে।

লৈবাক অসিনা শাজবা জহাজ অসি ঙরাং কোচিগী নেবেল বেসতা পাঙথোকপা থৌরম অমদা চীফ ওফ নেবেল ষ্টাফ এদমিরেল-দিনেস কে. ত্রিপাথিনা হৌদোকখি। অনৌবা জহাস অসিদা মতমগা চুন্নরবা হাইদ্রো গ্রাফিক অমসুং ওসিনোগ্রাফিক্কী খুৎলায়শিং, মল্টি বিম সোনারনচিংবা কয়া য়াওরি।

**ফেন্সিংঃ** ইম্ফালগী খুম্মন লম্পাক ম্যেন ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা চত্থরিবা ২৭ শুবা সব জ‌্নিয়ার নেসনেল ফেন্সিং চেম্পিয়নসিপতা হৌজিক ফাওবদা মনিপুরনা সনাগী অমা, লুপাগী অনি অমসুং শেঞ্জেংগী অনি পুন্না তকমান ৫ ফংদুনা অহুমশুবদা লৈরি।

হরিয়ানানা সনাগী মঙা, লুপাগী অহুম অমসুং শেঞ্জেংগী অমা পুন্না তকমান

৯ ফাদুনা খ্বাইদগী মকোক্তা অদুগা পঞ্জাবনা সনাগী অনি, লুপাগী অমা অমসুং শেঞ্জেংগী অনি পুন্না তকমান ৫ ফংদুনা অনিশুবা মফমদা লৈরি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

ঙসি ফোংবা পাউচেশিংদা মরুওইনা ফোংনরিবা পাউ খরা পনবা তারবদি-থা অসিগী মনুংদা অনৌবা লৈঙাক শেমবা গভনরদা তকশিল্লক্লগনি হায়না এম.এল.এ. লৌরেম্বা রামেশ্বরনা ফোংদোকখিবা ৱাফম, কেন্দ্রগী ৱিমেন এন্দ চাইল্ড দিবলপমেন্ট রাজ্য মন্ত্রিনা-সাবিত্রি ঠাকুরনা জিরিবাম জিলাদা চৎতুনা চাউখৎ থৌরাংগী থবকশিং য়েংশিনবগী পাউশিংনা ওইরি।

পোকফমদা-নবেম্বর থা অসিদা গভরমেন্ট শেমদ্রবদি স্পিকরবু লিদর খল্লগা ক্লেম তৌনবগী ফিরেপ লৈ হায়না এম.এল.এ. লৌরেম্বম রামেশ্বরনা ফোংদোকখিবা ৱাফম অহানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি। পাউ অসি-পাউ চে অয়াম্বদা তোঙান তোঙানবা মওংদা হেদলাইন পীদুনা ফোংনরি।

সনা লৈবাক্তা-মমাংদা অমুক্তা উখিদ্রিবা মওংদা মণিটেক্স পাঙথোক্লগনি হায়না রাজ্যগী টেক্সতাইল, কর্ম্মস এন্দ ইন্দষ্ট্রিগী এদিসনেল চীফ সেক্রেটরি-অনুরাগ ভাজপায়না ফোংদোকখিবা ৱাফম অনিশুবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

পোৎথোক হেন্না পুথোকপা খক নত্তনা ক্বালিটি মেনেজ কমদৌনা তৌগনি হায়বসি ওন্টরপ্রেন্যুয়রশিংগা পুন্না খঙমীন্নাব চংই হায়না হোর্টিকলচর এন্দ সোইল কঞ্জারভেসনগী দাইরেক্তর-কে. দেবদত্তা শর্ম্মনা ফোংদোকখিবা ৱাফম অমা নহারোলগী থৌদাংদা এঙ্কর কলমদা ফোংলি।

সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিসতা-বি.জে.পিগী সেন্ত্রেল লিদরশিং অথুবা মতমদা লাক্লবা য়াই হায়বা পাউ অমা পাউচে অসিগী অহানবা লামাইদা ফোংলি।

সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরি এদিসনদা-গভরমেন্ট সার্ভেন্টনা শেঞ্জা থুমজা

চথুরন্বগী কেস-রিটয়ার্দ সেনিয়ার একাউন্ট ওফিসারগী মথক্তা চার্জ ফ্রেম তৌখ্রে হায়বা পাউ অনিশুবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি। প্রাইম মিনিস্তর ই-বস সভা স্কিম মনিপুরদদি থবক্তা ওন্থোক্ত্রি হায়বা পাউ অমসু পাউচে অসিগী এঙ্কর কলমদা ফোংলি।

অরানবা রিপোর্ট ফোংবগী মতাংদা পি.য়ু.সি.এলগী মথক্তা অমজ্না লিগেল নোর্টিশ থাখ্রে হায়বা পাউ অমা পিপলস ক্রোনিকলদা অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

মনিপুর মেলদা-কেন্দ্রগী ৱিমেন এন্দ চাইল্ড দিবলপমেন্ট মন্ত্রি-সাবিত্রি ঠাকুরনা সেন্ত্রেল প্রোজেক্টশিং য়েংশিনখ্রে হায়বা পাউ অহনাবা হেদলাইন তৌরি।

হুইয়েন লানপাউদা-মনিপুরদা মায়োকরিবা মীপায়নিংঙাই ওইরবা দেঙ্গি লায়চৎ অসি লৈঙাকা থৌশা-ৱাশাদবনি হায়দুনা হায় কোর্টতা ৱাকৎলক্লে হায়বা পাউ অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

হিলস হোর্ন বিল এক্সপ্রেসতা-সেনাপতি অমসুং উখ্রুল জিলাদা মহৈরোই ৩০ গী মথক্তা ফুদ পোইজনিং তৌবদগী লায়কন্নখ্রে হায়বা পাউ অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

গানফিয়ু মেলদা-১৪ শুবা জদোনং মেমোরিএল ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ফাইনেলদা এস.কে.ৱাই.সি. শওন্মুং অমসুং এন.ৱাই.সি. নমথাংলোং লন্মা তৌনরগনি হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি।